ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯳, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ১৩, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৬৫ শুবা মশীং

# কৈথেলদা য়ুরিয়া য়োনবা

## *এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টনা মিৎয়েং চঙফম থোকই*

*অচা-অথক্কী* পোৎলম থাবদা য়ারিবমখৈ কেমিকেল ফর্টিলাইজর শিজিন্নদনবা অখণ্ড-অহৈশিংনা পাউতাক পী। কেমিকেল ফর্টিলাইজর হাপ্পগা পুথোরকপা অচা-অথক্কী পোৎলমশিং চাবদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবনা ওর্গানিক ওইবা পোৎলমশিং হাপ্পগা মনা-মশিং, মহৈ-মরোংশিং পুথোক্লবা অকক্লবা থৌইনশিন পী। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টসু ওর্গানিক ফার্মিংদা শেল হেন্না থাদবা হৌখ্রে। অদুবু থৌরাং অসি খুদক্তা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনবা হায়বদুমদি য়াবা নত্তবনা হৌজিকসু লৌমীশিংদা য়ুরিয়া অমদি অতৈ মখলগী কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং ফংহনবগী তঙাই ফদবা লৈরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী তঙাই ফদবা য়েংলগা য়ুরিয়া ফটিলাইজর অসি চূনবা মখলগী মমলদা ফংহল্লি। লৈঙাক্লা মমল কন্ট্রোল তৌরগা থম্বা মরম্না মখল অসিগী ফর্টিলাইজর পুথোক্লিবা কম্পেনিশিংদা অহেনবা শেনফম ময়াম অমা সবসিদি ওইনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরি। সবসিদি অসি পীরমদবা থোক্লবদি লৌমীশিংনা হৌজিক ষ্টেটকী এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টতগী কে জি ৫০ লুম্বা বেগ অমদা লুপা ৩০৪ পীরল্লিবসি লুপা ৫০০ গী মথক্তা পীরমগনি। ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা লৌমীশিংনা চহী অমদা তঙাই ফদনা চঙবা য়ুরিয়া বেগ কয়ানো হায়বদু চাউরাক্লা পাথোক্লগা মনাক নকপদা লৈবা ফেক্টরিশিংদগী ষ্টেটশিং অদুনা য়ুরিয়া লৌই। অকক্লবা মমল অমদা য়োনবা য়ানবগীদমক লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎলি। থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা য়ুরিয়া পুথোক-পুশিন তৌবগী চাদিং ফাওবা লৈঙাক্লা তোখায়না পুথোকই। অসুম্না লৌমী মীয়ামগী য়াইফননবা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি করিগুম্বা মতমদা থৌশিল শোয়রকপদগী মতম চানা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া ফংহনবা ঙমদবগী ৱাথোক মণিপুরদা য়াম্না তোয়না থোকই। অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকপগী পাউ তারক্তবা মণিপুরগী ওইনা চহী ৫/৬ লোম শুরে। অদুবু লুরিবদি লৌমীশিংনা মতৌ কমদৌনা য়ুরিয়া হার কদায়দগী ফংলিবগে হায়বসিনি। মতাং অসিদা ষ্টেটকী লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা লৌমীশিংবু ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং তৌদবসি অঙকপনি।

পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি দি এস) গী মখাদা লৈঙাকনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা ফংহল্লিবা চেঙ অসি কৈথেলদা য়োল্লে হায়বগী ৱাথোক-লান্থোক কয়ামরুম থোক্লিঙৈগী চৈরক অসিদা লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌরগা লৌমীশিংদা ফংহনগদবা য়ুরিয়া হার কৈথেলদা মরাং কায়না থেন্দুনা থম্বগা লোয়ননা য়োলহল্লে। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি য়ুরিয়া হায়বসি লৈঙাক্লা অয়াবা পীবা সব-দিলর নত্তনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমত্তনা দুকান হাংদুনা য়োনবা য়াবা পোৎশক নত্তে। সব-দিলর অদুনসু মহাক্লা থৌবালদা লৈবা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া ফংহনবদা ইম্ফালদা পীরিবা কে জি ৫০ গী অরুম্বা বেগ অমদা লুপা ৩০৪ পীবদুগা চপ মান্ননা য়োনগদবনি। পুথোক-পুশিনগী শেনফম পুম্নমক ষ্টেটকী লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা তৌগদবনি। মসিগীসু মথক্তা য়ুরিয়া হায়বা কেমিকেল ফর্টিলাইজর অসি কম্পেনি অমনা নৎত্রগা ফার্ম অমনা ফেক্টরিদগী তোখায়না লৈননবগী অয়াবা লৈতে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফংবা কোটা অদু লৈঙাক্লা অয়াবা পীরবা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্টর অমনা ফেক্টরি অদুদগী য়ুরিয়া পুরক্কদবনি। মরম অদুনা ইম্ফালগী মরু ওইবা মফমদগী হৌরগা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা য়ুরিয়া য়োল্লিবশিং অসি লোনা য়াদে। মখোয় ফাগৎননবগী ওথোরিটি ষ্টেটকী এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টনি। শাংলবা চহী কয়া অমা মীয়াম্না কৈথেলদগী য়ুরিয়া কে জি ৫০ গী বেগ অমদা লুপা ৫৫০ পীদুনা লৈনরিবা অসি ষ্টেটকী এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টনা থোকহনবনি। মপান লমদগী কনাগুম্বা অমনা চিংবসু য়াদবা, লৈঙাক্কী চে-চাং য়াওদনা পুশিল্লকপসু য়াদবা, লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌরগা থম্বা য়ুরিয়া লল্লোনপোৎ ওন্থোরকপা হায়বসি দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিং চেন্নরোইদবগী মরম লৈতে। মসি তশেংনমক স্কাম অমনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি হৌজিকসু লৌমীশিংনা তঙাই ফদবা পোৎলম অমা ওইরিবা য়ুরিয়া ফংদবগী ৱাথোক্তি লৈহন্দ্রগা কৈথেলদগী কে জি ৫০ গী বেগ অমদা লুপা ৫৫০ দা ফংহল্লিবশিং অদুগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎফম থোকই। তশেংনমক্কীদি দিপার্টমেন্ট অসিনা লৌমীশিংগী অপাম্বা মতুং ইন্না মফম-মফমদা চত্তুনা লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদা য়ুরিয়া হার ফংহনবগী কেম্পেইন অমা চথ্থফম থোকই। মদু নত্তনা করম্বা মফমদা লৈঙাক্কী য়ুরিয়া ফংলিবগে হায়বা ফাওবা খঙহন্দনা থম্লগা লৌমীশিংনা অতাঙবা মমলদা কৈথেলদগী য়ুরিয়া লৈহনবা হায়বসি লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী থৌশিল হৈতবনি হায়বগী মহুত্তা পুন্না হুরানমিন্নবগী থৌওংলা হায়না মীয়াম্না হায়নখিনি।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

# জেনিমসতা থবক চঙবগী অপ্পর এজ লিমিট চহী ৩৮ ফাওবা ওইহনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুর** লৈঙাক্কী য়াথং অমগী মতুং ইন্না লৈঙাক্কী ইনষ্টিট্যুসনশিং অমদি অতৈ ওর্গেনাইজেসনশিংদা থবক চঙবগী অপ্পর এজ লিমিটসি জেনরেলগীনা চহী ৩৮ দা লোয়ননা এস টি/এস সি/ও বি সিগীনা চহী ৫/৩ কোমথোক্তুনা থবক ফংদবা মহৈরোয়শিংগী য়েংবীদুনা চৎনবা হৌখ্রে অদুবু হন্দক জেনিমসনা লৌগদবা SR/Tutor/Demonstrator/LMO শিং লৌনবগী এদভর্টিসমেন্ট থোকপদা অপ্পর এজ লিমিটসি জেনরেলগীনা চহী ৩৫ দা লোয়ননা এস টি/এস সি/ও বি সিগীনা চহী ৫/৩ কোমথোক্লগা এজ লিমিট পীরি।

মসি থবক ফংদ্রিবা নহারোল/মহৈরোয়শিংগী য়েংবীদুনা অতৈদা তৌবগুম্না থবক চঙনবগী অপ্পর এজ লিমিটসি জেনরেলগীনা চহী ৩৮ দা লোয়ননা এস টি/এস সি/ও বি সিগীনা চহী ৫/৩ কোমথোকপীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জরি অমসুং মিৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - পি ইবোপিশক সিংহ*
*কোংবা উচেক্কোন*

# পরিক্ষা ফাংজিনহনবীগনু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**অদোমগী** নফমদা করিগুম্বা ৱাফম অমতং খঙহঞ্জরি মদুদি হন্দক্কী চহী অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী তোঙান তোঙানবা থবক লৌননবা এদভর্টিসমেন্ট কয়ামুক থোকপীরি। লোয়ননা লাইরিক তম্লুরবা থবক ফংদ্রিবা মণিপুরগী নহারোল কয়ানা য়াম্নমক থৱায় য়াওনা মতম কয়া চঙনা, পৈশা কয়া তিংনা তোঙান তোঙানবা একচেঞ্জশিংদা কার্দ থাগৎলবগী তুংদা ফোর্ম ময়াম অমা লৌনদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা থাগৎনরি। অদুবু য়াম্নমক নুংঙাইজদ্রিবদি পরিক্ষাগী সেদ্যুলশিংদা নুমিৎ (পরিক্ষা) ফাংজিন্নবা য়াওরিবসিনি। প্লান্নিং দিপার্টমেন্টগী পরিক্ষাগা আর দি এন্দ পি আরগী পরিক্ষাগা সেপ্টেম্বর ২৫ দা নোংমতদা থোকমিন্নরি। অসিগুম্বা ফাংজিন্নরিবা পরিক্ষাশিংসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা থবক থিজরিবা নহারোলশিংগী খনবীরগা শেমদোকপীরক্লবা খঙহঞ্জরি।

*অদোমগী - টি স্বনর্জিৎ (মঙ্গি)*
*সেগা রোদ কোঞ্জেংহজারী লৈকায়*

# দুরান কপ ২০১৬ য়েংলুবদা খল্লকপা ৱাখল খরা!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪০৮

**জিতেন নামৈরাকপম**




**ফুটবোলগী** মতাং পল্লকপদা ওজা কামিনিকুমারবু য়াম্না নুংশিরকই ঐদি। ওজা কামিনিকুমার ফুটবোলগী শান্নরোয়শিং, কোচ নৎত্রগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা মাবু শোয়দনা নীংশিংবিরমগনি। ঙরাং নহান্তসু ওজা অলেঙ শিমরা ফুটবোল ষ্টার ওইরম্বা অমসু লৈখিদ্রে। মহাকসু তাঙ্খুল মচানি, উখ্রুলদগীনি। অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয় ওইরম্বগী মথক্তা মণিপুর টিমগী কোচ ওইবিরমদুনা মণিপুরবু মালেমগী মফম কয়াদা মশক তাক্লম্বা মমল য়াল্লবা মীওই ঙাক্তনি পঞ্জখ্রিবা অনীসি। ত্রাও ক্বাকৈথেলগী ওজা নববুদি ঙসিসু হিংলি। মণিপুরগী ফুটবোলগী পুৱারীদা পঞ্জখ্রিবা অহুম অসি চিথ্থরম্বা শুকয়া য়ারোই খঞ্জবদগী হান্না মাঙজৌননা ওজা অহুম অসিগী মিং পঞ্জবনি। মখোয়দসু নত্তে, মণিপুরদা ফুটবোল শান্নবা অমদি কোচ ওইবিরম্বা মমিং লৈরবা ওজাশিং পরেং নাইনা লৈখ্রে। মখোয়গী মরমদা মখোয়গা থেংনজরুবা ৱারী মতেক খরদং পাউদমজরি।

কুমজা ১৯৮৪-৮৫ অদুৱাইদনি। সিকো ক্লবকী ঐখোয় মঙা খুমন লম্পাক্কী নাপী ঙাক্তা হৌবা প্লে গ্রাউন্দদা নেসনল সব জুনিয়র এলেভেন টিম শেম্নবগী ত্রাইএল তৌনবা থাবিখি। মতম অদু হৌজিক লৈরিবা খুমন লম্পাক ষ্টেদিয়ম অসি লৈত্রি। লমহাংগী লমহাং মক্তনি। অকুৎ-অতোং, খুকউমুক ৱাংবা নাপী, কোম মচা-মচা, ষণজাবুং, ঙাওশিনফম, ফৈরেং-তুরেং তৌফম, মী হাত্তোক্লগা হুন্দোকফমগী খুমন লম্পাকনি। ঐখোয় মঙা সাইকল অমমম তোংলগা খুমন লম্পাক তম্না চৎলি ফুটবোলগী ত্রাইএল য়াওনবা। মতম অদু অয়ূক্লি। নিংথম থাগী লৈচিল য়াম্না থাংবা মতমনি। মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তগী নহা প্লেয়র য়াম্না লাকখি। থৌবাল, বিষ্ণুপুর, চুড়াচান্দপুর, উখ্রুল, চান্দেল, সেনাপতি, তমেংলোং, ইম্ফাল (মতমদুদা ইম্ফাল ইষ্ট/ৱেষ্ট খায়দ্রি) প্লেয়র ৪০০ গী মথক্লি। ঐখোয় পূম্নমক থুংলরে খুমন লম্পাক্তা। পরেং শানা লেপ্লগা ঐখোয়গী মিং পানশিল্লি। ইবিনবা নুপা অমসু লৈরম্মী। অদুদগী হিন্দি ফিল্মগী বেদ মানবা মকোইগা শাংনা খাকপা নুপা অমনা খোঞ্জেল হৌনা লাউরকই "নশা নশাগী কিটস ফিট তৌরো, হৌজিক ত্রাইএল হৌরগনি।" নহা প্লেয়র ময়ামদু মাগী মাগী খোঙগ্রাউ হোংদোক্লরে। ঐখোয় অমুক পরেং পরেং লেপখি। ঙসাইগী হিন্দি ফিল্মগী ভিলয়ন শাথীবা মানবা নুপাদুনা মিং কৌরকখি। খুম্মী 'প্রজেন্ট সার!' মহাক্লা ঐখোয়দা য়াম্না মুন্না য়েংই। ঐনা ঐনা শেৎলিবা ফিজোল, খোঙউপ-মোজা করি করা! ঐগী হেক থংনবা অহুমশুবা নহা প্লেয়র অমদা মানা য়াম্না থীনা চৈবিখি। - হৈ, বুদু! ফুটবোল শান্নবা লাক্লগা করিগী সেন্দল তোংলক্লিবা! ফি খোঙউপ ওইরো/বেঙ্গল বুট ওইরো (মতমদুদা ঐখোয় বেঙ্গল বুট তোংলগা শান্নরকখি/ ষ্টুদকসি য়োৎপীগী য়োৎপী মক্তনি) অমা তোংলগা লাক্তবা নঙনা মণিপুরগী প্লেয়র ওইবা য়ারোই/চৎলু ইবুংঙো নঙ য়ামদ্রবদা খোঙউপ অমদি তোংলগা লাকউ।" অসুম্না প্লেয়র নহা অদু খৎতোকখ্রে। ঐখোয়সু খল্লি। মসিগী হিন্দি ফিল্মগী বেদ মানবসিনা তৌরক্কদৌরিবসি করিনো! মানা হায় - "নখোয় পূম্নমক পরেং অহুম লেংলো অদুগা খুমন লম্পাক্কী পল্লিসি থুংনবা অহুল্লক চেনগদবনি।" ঐখোয় হৌরে চেনবা। পরেং পরেংমক্তনি। প্লেয়র ৩০০/৪০০ দু হৌজিকপুদি দিঙ্কু রোদ থোনখ্রে। থোন্দ্রিঙৈ লম্বীদু উফুল ব্রং-ব্রং হৌরিঙৈদুদা ঐখোয় মরি-মরি চেনখি। অদুদগী হৌজিকপুদি 'কার ৱাশ' তৌফম পরেং পরেং লৈরিবা রাগাইরোং ফাওরে। ঐখোয় চেল্লি। মিনুথোংলোমদা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী ওফিস লৈরিবা, সাইগী শান্নফম লৈরিবা অদোমদা চেল্লক্লগা হান্নগী চেল্লকফমদা পন্থুংফম ওইরে। অসুম্না রাউন্দ অহুল্লক চেল্লহনবগী ৱানি। "ঐখোয়দি ফুটবোল শান্নগে লাকপনি করিনো লমজেল পংচেন্দা চেলহল্লিবসিবো" অসুম্না ময়াম্না ঙাঙনখি। লমজেল চেলহনবদু নোংমা নীনি খক্তগী ৱা নত্তেকো তৌরিবসি। খুমন লম্পাক্কী অকোয়বদু থুংনবা নুমিৎ ৬ নি চেলহনবগী ৱানি। ময়াম্না ঙাঙনবসু লেপ্তে। "ঐখোয়দি বোল শান্নবা লাক্লগা মরাথোন ওন্থোক্কদৌরব্রা খঙদে। ঙসিফাও বোল মশক উবা ফংদে। প্লে গ্রাউন্দদা চেলহল্লগা শান্নবসু শান্নহনদ্রে।" অদুদগীদি মীওই ৪০০ রোম লাক্লিবা অদু নোংমদা ৫০ মুক লৈহৌ/নোংঙাল্লগা ৩০ মুক লাক্তা তৌদুনা নুমিৎ ৬/৭ নি শুরকপদা ঐখোয় ১২০/১৩০ রোমদা ঙাইহৌরে। হায়রিবসি ইজরিবা ঐদি চেনবা লেপ্তেকো। মরমদি চেনবা হায়বসি ঐগীদি খ্বাইদগী হৈনজবীনি। অহানবা চেনবা হৌগৎলকপদা খজিক্তং ৱাবগী ৱানি, চেনবা শুম হৌরকপদগীদি হেন্না হেন্না য়াংখৎনীংবা ফাওরকই। চেল্লিবমখৈ নুংঙাইজৈ। অসুম্না খুমন লম্পাক্কী অকোয়বদা হাপ্তা অমা হেন্না চেলহনবদগী লৈহৌবা য়াবা ময়াম লৈহৌরে। নুমিৎ ৫/৬ নি মশক উবা ফংলুদ্রবা হিন্দি ফিল্মগী বেদ মানবা মকোক তাঙ তাঙ লাউবা ফীভম মুর্ত্তিদি ফজবা নুপা অদু অয়ূক অমদা থোরক্লগা ঐখোয় মী ৮০ রোমদা ঙাইহৌরবা প্লেয়র কক্লাউশিংদুদা ৱাফম কয়া হায়রকই- "ইচাশা নহোয় লমজেল চেনবা ৱাব্রা? নখোয় ৪০০ রোমদগী ৩০০ হেন্না লৈহৌরেদনা! নহানমখৈ নখোয়দা তৌরিবসি ইন্দুরেন্স টেষ্ট হায়বদুনি। নশাদা খাঙবা ঙম্বগী শক্তি লৈত্রগদি ফুটবোল প্লেয়র ওইবা য়ারোই। হৌজিক্তি খঙলে নখোয় খুদিংমক ফুটবোল শান্নবগী খাঙবা ঙম্বগী থৌনাদি লৈরে। হৌজিক ফিল্ডলোমদা চঙলসি। শান্নবা হৌরসি। কিক্কিং, কন্ট্রোলিং, পাশিং, পুশিং, দ্রিব্বলিং, ফেএইন্টিং, কট্টিং - বোল করম্না কাওগনি, পাস করম্না পীগনি, করম্না এটেক তৌগনি, করম্না দিফেন্স তৌগনি হায়বনচিংবা কয়া ওজা অদুনা তাকপীবা য়াবা তাকপীরে। ওজা অদুগা থেংনহৌবদগী ফুটবোল শান্নবগী মরমদা খঙবা য়াবা খঙজহৌখি। মহাক কনাসু ওইরমদ্রে। ঙসাইগী হিন্দি ফিল্মগী বেদ মানবা নুপা অদু ওজাঁ কামিনিকুমার ওইরমখি। মহাক্কী মফমদা অইবনা শ্রধাঞ্জলি কৎচরি।

ওজা অসিগী হেক মথংদনি অইবনা থেংনজরকখিবসি ওজা সি ঐচ শান্তিকুমারনি। য়াইস্কুলগী শান্তি ফুটবোলগী হীরমদা থেংনবীরকপশিংনা শোয়দনা মশক খঙলমগনি। মাগী মতম কুমজা ২০০২ দা মণিপুরদা তাখিবা সন্তোস ত্রোফিদা ওজানা কোচ ওইরগা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। মহাক স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা দেপ্যুটি দিরেক্টরগী ফম ফাওবদি পায়খিবনি। মহাকপুসু ঐনা কাউবা শুকঙম ঙমদে। মরমদি ঐবুসু মানা ফুটবোল হৈহনখি। নঙ্গলদা 'মণিপুর' থারগা ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়াদা নেসনল প্লেয়র অমা ওইনা শান্নবা ফংজখিবদু ওজাগীসু সপোর্ট ফংজবদগীনি। নোংমা বিহারদা চৎখি। বিহারগী কোয়লা খ্বাইদগী থোকপা মফম 'ধানবাদ' (হৌজিকপুদি ঝারখণ্ড ষ্টেটকী মনুংদা লৈখ্রে)। ধানবাদ টাউন্দদা হাংলিবা 'ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স' লান্থোক্লগা লৈবা ত্রেন ষ্টেসনগী হেক থংননা লৈবা ষ্টেদিয়ম মচাদুদা পেন্নবা ফুটবোল শান্নরকখি। অকন-অকনবা টিম কয়া থেংনরকখি। মথং-মথং কাদুনা ঐখোয় সেমী ফাইনেল চঙলকখি। ঐখোয়বু বিহারগী ন্যুজপেপরদা 'দ দার্ক হোর্সেস ওফ মণিপুর' গী মিংথোল ফংলকখি। ঐখোয়মুক য়াঙবা শান্নবদা থিংবীনবা লৈত্রবা প্লেয়রশিং ওইনা শক্তাকপীরকখি। অদুদগীদি ময়াং মচাশিংগী কদর হায়রেদনা সেমী ফাইনেলদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা শান্নবদা মখোয় ময়াং মশেল মশেলগা মান্নখ্রে। ঐখোয় প্লেয়র ১১ গা মখোয় ১৫ গা হায়বদি রেফ্রি, লাইন মেন অনী থারগা বেঙ্গলগী ১৫ দুগা শান্নবদা ঐখোয় ১-০ দা পোহৌরে। ঐখোয়না চনখিবা গোলসু মখোয় গোল পীবগী মহুত্তা ফাউল ওইনা পীশিল্লকখি। অসুম্না ঐখোয় তরানিথোই শুবা মির ইকবার নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফাইনেল য়ৌহৌদনা মায়থীহৌখি। সেমী ফাইনেল চঙলকপা ফাওবদা মণিপুরগী মায়োক্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীর, পঞ্জাব, হরিয়ানা, ওরিষা, দিল্লি, বিহারনচিংবা গোল অমত্তসু চনবা ঙমহনখিদে। মতমদুগী গোলকিপর ঙসিসু কাউদ্রি। সাগোর কৌবনি, ইম্ফাল ইষ্টতগীনি। য়াম্না নিংঙমহৌদে। ওজা শান্তিকুমার অমদি থাংমৈবন্দদগী ওজা কুমার ঐখোয় পূম্নমক কোল্লগা কপমিন্নখি। উপায় লৈখিদে। মতমদুদা ওজা শান্তিনা হায়বিখি, 'জিতেন নঙনা গোল চনবদা কন্না কন্না কাওরগা নেট থদৎকে খল্লিবদু করিগীনো?' হন্দক গোল ৪/৫ দি চল্লে হায়ববু নহান দিল্লিগা শান্নবা নুমিৎতুদসু নঙনা কন্না কাওমনবদগী গোল কীক্তা লৈরবা বোলদু বার লালহল্লগা মাঙহনখি। মদু পাম্মুদ্রা? গোলদি ইবুংঙো নেট নোমহল্লগা মনুংদা চঙখ্রগা লোইহৈরে। কা হেন্না কন্না কাওরুবগী কান্নবা লৈতে।" মদু প্লে লোইরগা পোষ্ট মোর্টেম তৌবদা ওজানা তাকপীখিবনি। ঙসিসু কাউবা লৈত্রি। ঙসি ঐহাক্লা অখঙবা খরা ইজরিবা অসি হুইয়েন লানপাউগী স্পোর্টস কলমনিষ্ট রত্নেশ্বরি গোশ্বামী নৎত্রগা তামো অজিৎখোয়না ইবিরল্লগদি হেন্না ফজরম্বসু য়াবনি অদুবু নহানগী দুরান কপকী ফাইনেল য়েংলুবদগী ফুটবোলগী মরমদা ফোঙদোকচনীংবা খরদং ফাওরকপদগী ইজবনি।

দুরান কপ ২০১৬ ফাইনেল মেচ দিল্লিগী অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। ডা. অম্বেদকর ষ্টেদিয়ম দিল্লি ময়োন্দনি। ক্রিকেট শান্নফম ফিরোজ শাহ কোটলাগা হেক থংননা লৈরে। য়াম্না নুংঙাইবা মফমনি। ইন্দিয়া গেট, এম পি ময়ামগী ক্বার্টরস, ফোরেন এম্বেসি ময়ামগী লৈফম লান্থোক্লগা লৈবা ষ্টেদিয়মদুদা মণিপুরগী নেরোকা ফুটবোল টিমগা আর্মি গ্রীনগা দুরান কপ ২০১৬ ফাইনেল শান্নখি। দুরান কপ কুমজা ১৮৮৮ দা শান্নবা হৌদোকখিবা মালেমগী ওইনদি অহুমশুবা থাক্তা খ্বাইদগী অরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমনি। মীয়াদগী টিকেট মমল লৌদনা য়েংহনবা, ৱিন্নর ওইবদা লুপা লাক্ষ ৫০ গী মনা পীবা টুর্নামেন্ট অমনি। মণিপুরগী সি সি মীটকী কেশ প্রাইজ লুপা লাক্ষ ১ দগী হেন্দ্রিব্রা খল্লি। খ্বাইদগীসু লীরবা ইন্দিয়াগী ওইনা চাউরবা টুর্নামেন্ট অদুদা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা মণিপুরনা ফাইনেল শান্নবা ফংবসি রেকোর্দনি। মমাঙদা কনাসু য়াওখিদ্রি। অদুক মমল লৈখ্রবা টুর্নামেন্ট অদু মণিপুরগী মিদিয়া কাঙবুনা মীরাইবীবগী মওং উখি। হুইয়েন লানপাউগুম্বনা মনিংদা মচেৎ খরা ব্রিফিং ন্যুজ ইবা নত্তনা লোকেল পাউচে অমত্তদা থেংনখিদে। অইবনা পাবা ৱাৎহৌবা ওইরিদ্রা অদুবু ফ্রন্ট পেজদা মচা অমা ফাওবা হাপ্পীখিদে। তৌবতবু নেরোকাদি লৈহৌরে টাই ব্রেক, মখা তারকপদা সদ্দন দেথতা পোহৌরে। য়াম্না নুংঙাইত্রিবদি সুশিল হায়ব্রা কেপ্তেন ইবুংঙোদুনা কাওবা টাই ব্রেক খূৎকাওদুনি। বার লালহনগেরা, পোষ্ট নীকহনগেরা নৎত্রগা গোলকিপর মথবাক শেগায়গেরা অঙম্বী থাক্তদি কাওদ্রদনা থুৎ লাউনা পাশিং তৌবগী মওংদা গোল কিপরনা লায়না ফাহনখিবদু নুংঙাইতে। করিগুম্বা ঐনা কাওবা ওইরল্লবদি নেট তৎপ্রা, বার নিকপ্রা নৎত্রগা গোলকিপর য়াওনা নেট মনুংদা চঙব্রা অমদি শোয়দনা তৌরম্বসু য়াই।

# ওগষ্ট ১৩ গী নুংথিল পোবোপ্তা

**খঙদোকমিন্নসি অমুক্তা ঃ ৩৮৬**

**হাওবম প্রিয়োকুমার**

**চহী** কয়াগী মমাঙদগী ওগষ্ট ১৩ ছুটি ওইদুনা লাক্লি। চৎলিবা চহীসিগী ওগষ্ট ১৩ নুমিৎসিদা মমাঙদা পাঙথোক্লবগুম খোরিরোলগী লূপশিং, লৈকায় লৈকায়দা, লূপ কয়ানচিংবনা মরমদমগী নীংতম্বা ঙাক্লবা লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা, শৈথাজদুনা থৌরম কয়া পাঙথোক্লখি। অসিনা মরম ওইদুনা অমদি নোং চীং চুখিদবনা ছুটি ওইজরবসু লম্বীগী ত্রাফিক্কী ভোল্যুমদা ছুটি নত্তবা মতমদগী থোয়না হন্থখিদে। লৈঙাক্কী ওইনসু ফৈদাপুং, বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, ভি ভি আই পি, ভি আই পিশিং ময়ামগা লোয়ননা য়াম্না চীং-লেম্না পাঙথোকখি।

লৈঙাক্কী থৌরম অসি পাঙথোক্লবগীদমক মফমসিগা থংনবা লম্বী খরা, নেসনল হায়ৱে ১০২ গী পরিং এল আই সি ওফিসতগী রাজ ভাবন থোঙ্গাল ৱাংমা অমসুং বি টি রোদ মতেক অমা অসিদা তুমিৎ-কাং ফাওবা পাইহন্দবমখৈ কনাগুম্বা অমত্তা চঙহন্দনা খুদক্তা থিংজিনখি। অদুগা ভি ভি আই পি, ভি আই পিনি হায়রিবা ময়ামদুনা অহাংবা লম্বীসিদা অকি-তুজুং অমত্তা পোক্তনা দ্রামাগুম মরী-মরী লাক্তুনা ফৈদাবুংদা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা থৌরমদু পাঙথোকখি।

থৌরমদুদা মীয়াম্বু শরুক য়াহন্দবগী ৱাহন্থোক করিনো? ঐখোয়গীদি অথৌবা নৎত্রব্রা? নখোয়খক্তগীরা? অদুক মীকিথী ওইনা লম্বীনচিংবদা মী অমত্তা চৎহন্দনা মীচম অমত্তা য়াওহন্দনা থৌরম পাঙথোক্লিবদুবু অরোনবা ৱাশক লৌবা, অরোনবা ৱা তানবা য়াওবগীরা? য়াম্না নুংঙাইরিবদি মরমদমগীদমক থৱায় কথোকপা ঙমখ্রবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমদা মীকিথী ময়াম অমা পুনশিল্লগা হৈকৎ-লৈকৎ তমখিবা অদুনি। লৈপাক্কীদমক থৱায় কথোকপা ঙম্বগী থৌনা, ৱাখল্লোন লৈরবা, অরানবা অমত্তা তৌরুদ্রগদি মফম অমত্তদসু কনাবুসু কিনিঙাই লৈতে, কিফমসু থোক্তে। মীয়াম্না থাগৎলক্লিবা মীহুৎনি অদুগা নখোয়বু থাগৎলক্লিবা মীয়ামদুবু কিরুরিবগী ৱাহন্থোক্লা করিনো? কয়া য়াম্না মীয়ামদা অকায়বা তৌরুবা য়াওবদগীনো? কিগল্লিদুগা হায়রুরগদি মীয়ামদসু খুদক্তা অপনবা পীরুবা তৌদনা কার্ফিয়ু থল্লগা থৌরমদু পাঙথোক্লম্বনবু মতিক হেক চপ চাবজাৎনি।

মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা নিংথৌনা তৌনিং তৌনংবা তৌরম্মী। কনানসু করিসু হায়রুবা ঙমজরুদে। মদু নিংথৌ পানবা লৈপাক্কী চৎনবী অমগুম লৈরম্মী। অসি অসিগুম্বা ফনেক অসি মহারানী নত্তনা কনাগুম্বা অমত্তনা শেৎ-চাবা য়ারোই, থেংনরবদি চৈরাক ফংগনি অসিনচিংবা চৎনরম্মী, মীয়ামসু অদুমক ইল্লি। অদুবু হৌজিক অসুক চাওখৎলবা মশা মশাগী রাইট খঙনরবা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাক্লবা মতমসিদা, অমরোমদা ফনেক মখল অমা শেৎহন্দবদুদি তরাইথোকখ্রদনা খুদক খুদক্তা লম্বীবু হেক্তমক থিংজিনবা হায়বসি মালেমগী মফম অমত্তদসু তৌনরল্লোই। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদফাওবা তৌরল্লোই। অদুবু মণিপুরদদি অমা অনীগী ৱা নৎত্রি, তোয়না থোক্লিবনি। মসিদা য়াম্না চাউজনীংবগী চাউরবা মমি অমসু ইরোয় লোয়নরি। অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থবক অসিদি মীগী খন্দবা মশাগীতা খনবা, কথোকপগী ৱাহন্থোক খঙজদবা, মশানা মশাবু মশক খঙজদবা, অশেংবা চাওখৎপগী মঙাল ফংজদ্রিবা অসিনচিংবা মীওইতনা তৌগল্লি। কদায়দগী অফবা পোথোক্তি ওইরনি। চাউনা পারবদা মণিপুরদা ইন্টিলেকচুয়েল সার্কলদা লৈরিবা মীশীংসি অপূনবা মীশীংগী চাদা তরামঙা য়ৌগদবা নত্তে। অদুনা লেমহৌরিবা য়াল্লবা চাদা মরিফু মঙাসিনা থাগৎলকপা মীহুৎ ওইখিবনা ঐখোয় খরদি অৱাবা মায়োক্লবা তাবনি। অসুম্না লৈঙাক্লা মনিং তৌনা চথ্থরবনিনা বন্দ, ব্লোকেদ তৌবা মীওইশিংদা তম্বীদুনা মখোয়নসু তোয়না চথ্থরি। লম্বীদু চৎখিবদা করিসু তৌহৌদ্রবসু হল্লকপদা বন্দ তৌরমদুনা চৎপা য়াদবা কোঙ্গায়নি। মসি লৈঙাক্লা পীবা খুদোলনি হায়বা তারে।

থৌরম পাঙথোক্কদবা ৱাৎলিঙৈদগী হায়রিবা লম্বীশিংসি থিংজিনবা হৌরকখি। থংনরিবা লম্বীশিং পাউনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী পরিং, নোর্থ এ ও সি রোমদগী খুয়াথোং তাবা লম্বী, নাগামপাল লম্বী পরিং অসোমদনা সঞ্জেনথোং লম্বী পরিং, সেক্রেটেরিয়েট লম্বীদগী শিংজমৈ তাখিবা অমদি কৈশামথোং তাখিবা লম্বী, ইরাবত লম্বী পরিং, টিদ্দিম লম্বী পরিং, ৱাহেংবম লৈকায় লম্বী পরিং, সগোলবন্দ লম্বী পরিংনচিংবদা অহানবদদি ৱারসু ৱানা, চিল্লসু চিলনা চথোক-চৎশিন মতেক-মতেক য়ারম্মী। অদুবু অকোনবদদি তশেংনা ত্রাফিক জামগী পনখৈ লোম্বা হায়বদুমক য়ৌখি। মতমদুদদি হায়রিবা লম্বীশিংসিগী মশক উবা ঙমখিদে। মসিগী মথক্তা নাগা মপান লম্বী পরিং অমসুং ৱাহেংবম লৈকায় লম্বী পরিংদি হান্নদগী মীয়ামগী গাড়ী থাফম অমদি পেসেঞ্জর গাড়ীশিংগী থাফমসু ওইরিবনি। অদুগা পাউনা কৈথেল লম্বী পরিংদনা ভি আই পিশিংগী গাড়ী থাফম ওইশিনখিবনা অমুক্কা হেন্না চাউনা অপনবা পীখি। অদুনা পাউনা কৈথেল লম্বীগী হৌগৎলকপা মচিন্দগী কৈশাম্পাৎ মচিন য়ৌবদা পুং অনীরোম্মুক য়ৌগনি। অসুম্না হায়রিবা মতমসিগী মনুংদা হায়রিবা লম্বীশিংসিদা পুং অমদগী অনীগী মথক ফাওবা মীয়ামদা অপনবা পীখি। মসিনা অচৌবা মরম অমা ওইরগা রূপমহল থিএটরদা ওগষ্ট ১৩ খুদিংগী উত্তুনা লাক্লিবা পুং মঙাদা হৌগদবা 'বির টিকেন্দ্রজিৎ' দ্রামাসু য়াম্না থেংথনা হৌখি।

করিগুম্বা ইমর্জেন্সিগী অনা-অয়েক, অঙাং উনবগী হোস্পিটালদা পুখৎলকপা য়াওরবদি, অশি অনা থোকপা য়াই, লম্বীদুদা অঙাং উনবগী ফীভমদা লাক্কনি। লোয়ননা মৈহৌ লাংপোক থোক্লবদি ফায়র এঞ্জিনসু উ-ৱা খোংদুনা, কাং-কাং খিংলগা লম্বীদা অদুমক লৈদুনা যূমদু তাঙ্গোয় ওনবা ঙায়বগী ফীভমদা লাক্কনি। অসুম্না খুদোংথিবা নংলবা ইমুংশিংদুদদি অথৌবশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী মহুত্তা তাহৈদবা ৱাতানা হৈ-লৈগী মহুৎ শিল্লকপসু য়াই। মদুদনি লাইরৈপাক্তগী অথৌবশিংনা 'মীকিথীশা অসুম্না ঐখোয়বু নীংশিংবীগদবা লৈরবদি খিৎ তোকপীরো। মদুনদুম ঐখোয়দা মীয়ামগী পাপ লংশিনবা ওইনা থোক্লে" হায়না শোয়দনমক্কী হায়গনি। ৱাখল খন্থবগী মথৌ য়াম্না তাই। 'নেসনল হায়ৱে এক্ট, ১৯৫৬ সেক্সন ৮ (বি)' দা নেসনল হায়ৱেদা মরম অমা নৎত্রগা অমনা অথীংবা থম্বা য়াদে হায়না য়াওরি। অদুনা লৈঙাক্লা এক্ট অসিবু ভাইওলেট তৌদুনা নেসনল হায়ৱে ১০২ গী লম্বী মতেক অমা থীংজিনবা হায়বসি য়াম্না লানবা খোঙথাংনি। মীয়ামগী রাইটপু শিংনবীগনু, মৎপীগে খনবীগনু। তুংদা অমদসু অমদসু অমুক হন্না থোক্তনবা থৌশিল অমা শেম্বীদুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা পীদনবা হোৎনবগী মতম ওইরে।